**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-06-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৫-০৬-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল আর.কে.গোরানিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিন্দুনা ঙসিদগী হার য়েন্থোকপা হৌরগনি হায়রি।

২) থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এন.টি.এনা লৌবা নিট য়ু.জি-রি-একজামিনেসনগী এদমিট কার্দ পীবা ঙরাংদগী হৌখ্রে।

**অমসুং**

৩) জি সেভেনগী ৫২ শুবা মীফম ঙসিদগী ফ্রাঞ্চকী এভিয়ানদা হৌরগনি।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**হার (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা ঙসিদগী রাজ্য অসিগী জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হার ফংহন্নবগী খোঙজং রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগতগী লমথারগনি। লৌউ শিংড বিভাগনা শিনদুনা কেম্পশিং পাঙথোক্তুনা লৌমীশিংদা হার ফংহনবগদৌরিবা অসিদা লৌমীশিংনা কেম্প পাঙথোকফমশিংদা মশা মশাগী আধার কার্দ, লমগী পত্তা অমদি ফামরস কার্দ পুরক্তুনা সরকারনা ফংহল্লিবা হারশিং অসি লৌবা য়াগনি। অহানবা ওইনা হার য়েন্থোকপগী থবক অসি থা অসিগী ৩০ ফাওবদা তোঙান তোঙানবা মফম ৮৭ তা চথগনি হায়রি।ঙসি অহানবা ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী যুমাম খুনৌ বজার বোর্দ, উয়ুমপোক বজার বোর্দ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী সলাম কম্ম্যুনিতি হোল, ফৈয়েং সাবল লৈকাই, নম্বোল বজার ইরাবোৎ স্তেচ্যু, বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈমরাম শান্তি বজার, লিলোং ময়াই লৈকাই অমসুং হিয়াংলম বজারদা হারশিং য়েন্থোক্কনি হায়রি। বিভাগ অসিনা হায়-হার য়েন্থোকপগী থবক অসি জিলাগী লৌউ শিংউ ওফিসশিং য়াওনা দিস্ত্রিব্যুসন পোইন্টশিংদা মখা তানা চথগনি।

অমরোমদা, বিভাগ অসিনা পি.এম কিসান স্কিমগী মখাদা লেন্দ রেকোর্দ অপদেট তৌবগী দ্রাইভ চথবা ঙসিদগী হৌরগনি। হার য়েন্থোকপগী অখন্ননা হাংলিবা মফমশিংদা আধার কার্দ অমদি পত্তা পুরক্কদবনি। চীংগী জিলাশিংগী ওইনদি খুলগী ওথোরিতিনা পীবা অমসুং সব-দিভিজনেল ওফিসরশিংনা পীবা চে চাংশিং পুরক্কদবনি হায়রি।

**ৱার্কশোপ(এল)ঃ** কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী শেন্থং মখাদা পাঙথোকপা কঙসা করাগর হায়না মীংথোনবা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন প্রোগ্রাম অমা ঙরাং ইম্ফালগী ৱাঙ্খে নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা শ্রী রামজি প্রভু মন্দপতা পাঙথোকখ্রে। ৱার্কশোপ অসি ক্বাকৈথেল লৈমখুজম লৈকাইদা লৈবা থাকুর ধোন নিত্যা কলা মন্দিরনা শিনবনি।

**ককচিং(এল)ঃ** ৩৪ শুবা ৱার্ল্ড মণিপুর সুত্তিং কম্পিতিসনদা শরুক য়াগদবা ককচিং জিলাগী স্পোর্টস সুত্তরশিংদা জিলা অদুগী রাইফল এসোসিয়েসননা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে। কম্পিতিসন অসি মনিপুর রাইফলস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাংদা লৈবা তাউথোংগী রাইফল এসোসিয়েসনগী সুত্তিং রেঞ্জতা ঙরাংদগী হৌখিবনি।

**চান্দেল (এল)ঃ** মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হন্দক্তা হাৎপীখ্রবা নাগা মীচম তরুক্কী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরমশিং লেপ্তুনা পাঙথোকরি।

নোনে জিলাগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী অপুনবা কম্মিতি ওইরিবা স্তিয়রিং কম্মিতি খৌপুম এরিয়া ভিলেজ ভোলুন্তিয়র্সনা লুচিংদুনা জিলা অসিগী ঐতিহাসিক ওইরবা হাইপৌ জাদোনং ফ্রিদম ফাইতর মেমোরিয়েস সাইট য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মৈরা কত্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

চান্দেল জিলাদসু মোয়োন নাগা বেপটিস এসোসিয়েসননা শিন্দুনা এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চর্চশিংদসু মৈরা কত্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা মণিপুর বেপটিস কনভেন্সনদা ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনা মৈরা কত্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

**নিটঃ** থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সী(এন.টি.এ)না লৌবা নিট য়ু.জি- রি-একজামিনেসনগী এদমিট কার্দ পীবা ঙরাংদগী হৌখ্রে। মহৈরোইশিংনা এন.টি.এগী ৱেবসাইট নিট.দোট.এন.টি.এ.এন.আই.সি.দোট.ইনদা চংদুনা এদমিট কার্দশিং দাউনলোদ তৌবা য়াগনি। পরিক্ষা অসি থা অসিগী ২১ গী পুং ২দগী পুং ৫ গা মিনিট ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি।

মহৈরোইশিংনা এদমিট কার্দ দাউনলোদ তৌদ্রিঙৈ মাংওইননা মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টশিং অদু চুম্না চুমদব্রা হায়বদু য়েংথোক্কদবনি হায়না এন.টি.এনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

নিংশিংবা য়াই, পরিক্ষা অসি ক্বেসন পেপর লিক ওই হায়বগী ৱাথোক্তগী কেন্সেল তৌখ্রবা মতুংদা য়ৈথোক্তুনা লাকপনি।

**জি সেভেনঃ** জি সেভেনগী ৫২ শুবা মীফম ঙসিদগী ফ্রাঞ্চকী এভিয়ানদা হৌরগনি। নুমিৎ হুমি চথুগদবা মীফম অসিদা জি-সেভেনগী লৈবাকশিং-কেনাদা, ফ্রাঞ্চ, জর্মনি, ইটলি, জপান, য়ুনাইতেদ কিংদম, অমেরিকা অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা শরুক য়ারি। লৈবাকশিং অসিগী মথক্তা য়ুম্বু ওইরিবা ফ্রাঞ্চনা বার্তণ তৌবদগী ভারত, ব্রজিল, ইজিপ, কেনিয়া, সাউথ কোরিয়া, কতার, সাউদি অরাবিয়া, সিরিয়া, য়ুক্রেন অমসুং য়ুনাইতেদ অরাব ইমারেটসনা আউটরিচ পার্টনর কন্ত্রিজ ওইনা শরুক য়াগনি। ভারতকী ওইনা হন্দক্কী অসি থারগা মীফম অসিদা পার্টনর কন্ত্রি ওইনা শরুক য়াবা ১৩ রক শুরে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মীফম অসিগী হয়েং পাঙথোক্কদবা আউটরিচ সেসনদা শরুক য়াগনি।

জি-সেভেনগী মীফম অসিদা মালেমদা হৌজিক মায়োকরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অমসং লল্লোন ইতিক্কী লমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা খন্নগনি।

**ফিফাঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রুপ-এফকী মেটচ অমদা নেদরলেন্দস অমসুং জপান পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। গ্রুপ-ঈ গী অতোপ্পা মেটচ অমদনা আইভোরি কোচনা ইক্বাদোরবু পাঞ্জর ১-০ দা থোইখ্রে। হৌজিক স্বিদেনগা ট্যুনিসিয়াগা শান্নরি।

ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা গ্রুপ-ঈ গী মেটচ অমদা জরমনিনা ক্যুরাসাউবু

পাঞ্জল ৭-১ দা মাইথিবা পীখি। ৱার্ল্ড কপ অসিগী গ্রুপ-ঐচকী মেটচ অমদা ঙসি নুমিদাং পুং ৯ মখায় তাবা মতমদা স্পেন অমসুং কেপ বরদেগা শান্নরগনি।

**মেটঃ** ইন্দিয়া মেট বিভাগনা হায়রি-ঙসি লৈবাক অসিগী অৱাং নোপোক লমদম য়াওনা নোংচুপ বেঙ্গলদা অকনবা নোং চুগনি।

আই.এম.দিগী পাউনা মখা তানা হায়-লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি মঙানি অসিদা কুমগী নোং অসি লৈবাক অসিগী মহারাস্ত্র, কর্নাতকা, তেলঙ্গনা, অন্ধ্র প্রদেশ, উরিষা, ঝরখন্দ, বিহার অমসুং ছতিসগরগী খা থংবা শরুকশিংদা য়ৌরক্লগনি। ৱেদর এজেন্সী অসিনা রাজস্থান, উট্টর প্রদেশকী মফম খরা, উরিষা অমসুং মধ্য প্রদেশতা নোং অমসুং অকনবা নুংশিৎ শিৎকনি হায়না ওরেঞ্জ এলর্ট লাউথোকখ্রে। দেল্লি, হরিয়ানা, চান্দিগর, পঞ্জাব, হিমাচল প্রদেশ অমসুং উত্তরাখন্দদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই হায়রি।

অদুম ওইনমক, মরাথাৱাদা কোংকন অমসুং গোৱাদদি লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা হিট ৱেব মায়োকগনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা থুংলখিবা কোব্রা কম্মান্দোশিংগী ট্রেনিং লোইবগা পাক শন্না ওপরেসন চত্থগদৌরি, এম.এল.এ মিনিষ্টর ওইরবসু মরাল লৈরবদি চৈরাক ফংগনি হায়বা সি.এমগী ৱাফম -সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোঙলি। পাউ অসি তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা- পোকফম অমসুং হুইয়েন লানপাউদা ফোতোগা কোন্ননা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

নাগা তরুক মীহাৎপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মৈরা কৎখ্রে হায়বা পাউনা-পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

শাশিন্নবা আর্মিগী গারি অমদগী ওপিয়ম কিলোগ্রাম ১৫ হেনবা ফাবগী পাউ- মণিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাইন ওইনা ফোঙলি।

হৌখিবা চহী ১২ দা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা অহোংবা কয়া লাক্লে, চুরাচান্দপুরগী লোন্নবা ইন্তরনেসনেল বোর্দরগী কিলোমিতর ৫৩ গী শন্বল খাবগী থবক লোইশিল্লে অমসুং ফন্দ লৈতবনা রিজিট পেবমেন্ট থাবগী থবক থিন্থরগনি হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

ফাজিনখিবা নাগা মীচম ৬ তমথিনা হাৎলকপা থিগৎনবা এন.আই.এদা শিন্নখ্রে হায়বা সি.এমগী ৱাফম অমসুং লো খুত্তা পায়নবা হোৎনরকপশিং এক্সন লৌগনি হায়বা দি.জি.পিগী ৱাফমনা- সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

নাগা মীচম ফারবা মতুং হাৎখিবদা সু গ্রুপশিং চৈন্নে হায়বা দিপ্যুতি সি.এম লোসি দিখোগী ৱাফমনা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

**--পাউ লোইজরে--**